হুইয়েন লানপাও

নে-না তানা মহৈ তম্বা ফংহল্লু হায়বা দিমান্দদা প্রাইভেট স্কুল দিভলপমেন্ট কাউন্সিল থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা মহৈরোয়শিংনা প্রোটেষ্ট তৌবা

লামায় ২

সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি ইম্ফালগী মীৎয়েং মখাদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী খুঙ্গং অনীদা খোই য়োকপা ট্রেনিংগী সর্টিফিকেট য়েন্থোকপগী শক্তম

লামায় ২

লৈমরোল খোর্জেকোল, লৈকোলনা শীন্দুনা বাংলাদেশতগী লাকপা অইবা মরিবু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা খূদোল তম্বগী থৌরম

লামায় ৫

নোং কন্না চুখিবনা মরম ওইরদুনা নাগালেন্দগী জুবজাদা লেন্দস্লাইদ থোক্তুনা নেসনল হায়ৱে-২দা চৎথোক-চৎশিন য়াদবগী শক্তম

Vol. 42, Issue No.129 য়ুমশকৈশা, ইঙেন ১৯ নি পানবা অপূনবা লামায় মশীং ১২ HUEIYEN LANPAO, Wednesday, August 01, 2018, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৭৪.৪৬
দীজল : লিটরদা লুপা ৬৫.৯৩

মৈন্যানা তকশিনখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ৩১ (এজেন্সি):

নেসনল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী লেন অনী ওইহন্দুনা চহী চুপ্পা চৎপা য়াহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম পী দোক্তর থোকচোম মৈন্যানা লোক সভাদা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়খি, নেসনল হায়ৱে ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা বন্দ অমসুং ব্লোকেদ তৌইনা তৌবনা ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী চহী চুপ্পা চৎপা য়াহন্নবা শেমগৎপগী তঙাই ফদবা লৈ। মমাঙগী প্রাইম মিনিষ্টরনা ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী কুমজা ২০১৩ ফাওবদা শেমজিনবা লোইগনি হায়না থাজবা পীখি। কুমজা ২০১৪ দা অনৌবা লৈঙাক লাকখ্রবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নুমিৎ ১০০ নিগী মনুংদা লম্বী অসি মপুং ফানা শেমজিনগনি হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু নেসনল হায়ৱে ৩৭ কী ফিভমদি হান্নগা অদুমক মান্ননা লৈরি। অথুবা মতমদা আর সী সী ব্রিজ শাবা লোইশিন্দুনা এন ঐচ ৩৭ পু লেন অনী ওইহনগদবনি অমসুং চহী চুপ্পা চৎপা য়াহন্নবা থৌরাং ...*মখা লামায় ৩ কলম ৩*

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	২৮.২১ °C	২৩.৬২ °C
চান্দেল	২৮.৮৮ °C	১৯.৪৪ °C
সীসীপুর	২৮.২৩ °C	২১.২৪ °C
ইম্ফাল	৩০.৬৪ °C	২২.৭১ °C
সেনাপতি	২১.৪৭ °C	২০.৯৪ °C
তমেংলোং	৩২.৩৩ °C	১৯.৮৭ °C
থৌবাল	২৭.০৯ °C	২১.৮১ °C
উখ্রুল	২২.৬৫ °C	১৬.৫১ °C
মণিপুর	৩২.৩৩ °C	১৬.৫১ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৫.৫৪ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৪২
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০০
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, জি ও এম

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	80.442073
US Dollar	68.546658
British Pound	90.157905
Australian Dollar	50.910679
Chinese Yuan Renminbi	10.034247
Japanese Yen	0.614653
Malaysian Ringgit	16.889453
Norwegian Krone	8.434333
Singapore Dollar	50.347366
South Korean Won	0.061271
Swedish Krona	7.839159
Turkish Lira	14.027191
Myanmar Kyat	0.04708
Bangladesh Taka	0.81288

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 30385.03
Mumbai	–	Rs 31486.63
Delhi	–	Rs 31069.52
Kolkata	–	Rs 31358.29

HL POLL

Q : Radioda sandokpa pao neinabagi thouram tokkhibasi freedom of expression matpani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Democracy chatpa India gumba leibakta bandh natraga blockade ki tangaifadaba lei haina loubra?

Yes 57% No 43%

অস! লোইরেহে!

ওজা ৱাবনা য়াদ্রে লোইশিল্লসি...!

ꯑꯣꯖꯥ ꯋꯥꯕꯅꯥ ꯌꯥꯗ꯭ꯔꯦ ꯂꯣꯢꯁꯤꯜꯂꯁꯤ...!



হেরা, শেল তানবদবু ৱাবা লৈব্রা ফুরিৎখাউ তোংবা য়াম্না লৈরি...!

ꯍꯦꯔꯥ, ꯁꯦꯜ ꯇꯥꯟꯕꯗꯕꯨ ꯋꯥꯕꯥ ꯂꯩꯕ꯭ꯔꯥ ꯐꯨꯔꯤꯠꯈꯥꯎ ꯇꯣꯡꯕꯥ ꯌꯥꯝꯅꯥ ꯂꯩꯔꯤ...!

এম এল এ য়ামথোং হাওকিপকী দ্রাইভর এন আই এনা ফারে

য়ামথোং স্কাই হোস্পিটালদা লায়েংলি, সেকেন্দ এম আরদগী মাঙখিবা নোংমৈ ১ য়াওনা ৫ ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস): অনীশুবা মণিপুর রাইফলসকী আর্মসকোটতগী ৯ এম এমগী পিষ্টোল ৫৬ অমসুং মেগজিন ৫৮ মাঙখিবগা মরী লৈননা এন আই এনা কোংগ্রেস এম এল এ য়ামথোং হাওকিপকী য়ূমদা থিবা-হুম্বগী থবক চথুবদা নোংমৈ ৫ ফারে।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, ফারবা নোংমৈ ৫ অদুগী মনুংদা অনীশুবা মণিপুর রাইফলসকী আর্মসকোটতগী মাঙখিবা ৯ এম এমগী পিষ্টোল অমা য়াওরে হায়বা কনফর্ম তৌখ্রে। অতৈ ফাগৎলবা নোংমৈশিং অদু মখা তানা ভেরিফিকেসন চথুরি। কেস অসিগা মরী লৈনবা পোৎ-চৈ কয়ামরুমসু ফাগৎপা ঙমখ্রে। অদুমকপু এম এল এ য়ামথোং হাওকিপতি ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎ অমসুং ঙসি লৈবাকপোকপা নুমিৎকী লোন্নবা অহিংগী পুং ২ রোম তাবদা মশা ঙল্লক্তবদগী ইম্ফালগী স্কাই হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়েংলি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, ঙরাং অয়ূক্তগী অহিং চুপ্পা থিবা-হুম্বগী থবক চথুরকখিবা অদু ঙসি নুমিদাংৱাইরম লোইশিনখ্রে। এম এল এ হোস্পিটালদা পুখৎখ্রবা তুংদা এন আই এগী টিম অদুনা মহাক্কী দ্রাইভর থোকচোম দাইমন্দ কৌবা ক্লাকৈথেল ময়াইকোইবীদগী মীওই অমা ফারে। নোংমৈ মাঙবগী ৱাথোক অসিদা কনা-কনা চেন্নবগে হায়বা চপ চানা হায়বা ঙমদ্রগসু মতিক ময়াই চেনবা মীওই খরসু চেন্নরম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈরি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, এন আই এনা মমাংদা ফাখ্রবা সেকেন্দ এম আরগী পর্সনেল অমনা য়াল্লবা নোংমৈশিং অদু কুকি খূৎলায় পায়বা লূপ অমদা পূল্লপ য়োন্থোকখিব্রা হায়বদু য়াম্না কুপ্না থিগৎলি। ৱাথোক অসিদা চেন্নবা মীওইশিং ফাননবা এন আই এনা মখা তানা অকনবা থবক লৌখৎখিগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, এম এল এ য়ামথোং হাওকিপ সাইকুল এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীহুৎনি। মহাক্কী হকচাংগী ফীভম হেক ফগৎলকপগা ৱাহং-পাউহং চথুখিগদৌরি। মহাক্কী য়ূমদগী করি-করি পোৎলমশিং ফাখিবগে হায়বদুগী ওফিসল ওইবা পাউ এন আই এনা পীথোকপা লৈত্রি।

চহী ৪গী নুপীমচা ১ ফল্লাল্লবা তুংদা মখৌরী মেৎতুনা হাৎখিবগী ৱাথোক

মণিপুরদা অহানবা ওইনা মীওই অমা শিবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস) :

মশাগী চহী ৪ শুবদা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা শঙ্গোনদা নমদুনা ফল্লাল্লবা মতুংদা মীনুংশি য়াওদনা মখৌরী মেৎখায়রগা হাৎতোকখি হায়বগীদমক স্পেসল জজ (পোক্সো), সেনাপতিগী কোর্টনা মীওই অমা শিবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখ্রে।

মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা রেপ কেস নৎত্রগা ক্রাইম অমগা মরী লৈননা কোর্টনা শিবগী চৈরাক পীবগী ৱায়েল অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। স্পেসল জজ (পোক্সো), সেনাপতি এ নৌতুনেশ্বরীনা শিবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখ্রবা মীওই অদুদি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মরাম কবানাম খুলদগী আর দেবিদ (২১) অপোকপা ঙৌনিরাং এলিয়জ চরাংনি। কেস অসিগী মতাংদা স্পেসল জজগী কোর্টনা ঙরাং হিয়ারিং চথুরবা মতুংদা ঙসি মরাল লৈরবা মীওই অদু শিবগী চৈরাক পীনবা খঙহনখিবনি।

খ্বাইদগী তমথীরবা মীহাৎনি হায়না লৌনরিবা থৌদোক অদু কুমজা ২০১৫ গী দিসেম্বর ২৫ দা সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী মাও পুলিস ষ্টেসননা কোনবা মরাম কবনাম খুঙ্গংদা থোকখিবনি। থৌদোক অসি খুঞ্জাশিংনা খঙনরবসু ইমুং-মশেল য়ানরগা নাৎকী চৎনবী মতুংইন্না লৈরোন চল্লুরবনি। অদুবু, মাও পুলিস ষ্টেসননা সু-মোটো কেস অমা লৌখৎতুনা ইনভেষ্টিগেসন চথুরকখিবনি অমসুং লৈরোন চনখ্রবা হকচাং অদু কোখোল্লগা পোষ্ট মোর্টেম চথুখিবগী থৌদোক লৈখ্রবনি।

স্পেসল পব্লিক প্রোসিক্যুটর কোসিয়া মাওনা ষ্টেটকী মায়কৈদা লেপখি অমসুং লিগেল এইদ কাউন্সেল এস পি থোমাসনা দেবিদক্কী মায়কৈদা লেপখি। হিয়ারিং চথুখিবদা স্পেসল পব্লিক প্রোসিক্যুটরনা হায়খি, প্রিভেন্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্সুয়েল ওফেন্সেস (পোক্সো) এক্টকী সেক্সন ৬ অমসুং ইন্দিয়ন পেনাল কোদ (আই পি সীগী সেক্সন ৩০২) গী মখাদা মরাল লৈরবা দেবিদপু খ্বায়দগী কনবা চৈরাক পীফম থোকই।

চেন চোংদুনা শান্নজগদবা অমসুং মমাগী মতম্বাক্তা ওইনদুনা লৈগদবা নুপীমচা অমদা কা হেনবা থৌওং চথুখিবগী মতাংদা অকনবা চৈরাক পীদবা তারবদি অতোপ্পা মীওই কয়ানা মতৌ তম্নরকপা য়াই। করিসু খঙজদবী নুপীমচা অমদা খঙন-চান্নবগী খুদোংচাবা লৌরগা চথুখিবা থৌওং অদুগীদমক খ্বায়দগী কনবা চৈরাক পীফম থোকই।

অমরোমদা, দিফেন্সকী মায়কৈ-দগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ৩*

মহৈরোয়শিংনা ঐচ আর দি মিনিষ্ট্রিগীদা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস):

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর অদ্য প্রসাদ পান্দে মফম লৌথোকউ হায়বা দিমান্দনা মরম ওইরদুনা য়ুনিভর্সিটি অসিদা থোক্লিবা তংদু-লৈতাদবা ফীভম অসি মীৎয়েং চঙদে হায়দুনা মহৈরোয়শিংনা ঙসি য়ুনিয়ন ঐচ আর দি মিনিষ্ট্রিগী ওফিস মমাংদা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

নোর্থ ইষ্ট ফোরম ফোর ইন্টরনেসনল সোলিদরিটি (নেফিস) অমসুং কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)গী মহৈরোয়শিংনা চথুখিবা প্রোটেষ্ট অদু পার্লিয়ামেন্ট ষ্ট্রীট পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমনা নমদুনা থিংখি। ঐচ আর দি মিনিষ্টর প্রকাশ জাবেদকর উননবগী খূদোংচাবা পীখিদে। মখোয়বু ঙাইহাক ফাজিন্দুনা থল্লগা কাইনথংদা মফম অদুদগী ইন্থোরকখি হায়রি।

প্রোটেষ্ট অদুদা শরুক য়ারিবা কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট বিদ্যানন্দ সুখামনা পাউচে অসিদা হায়, মুসু, মুটা অমসুং মুসানা পূনশিল্লগা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর লৌথোক্লনবগীদমক মতম শাংনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসি বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা লূম্না লৌদবনা ঙসি ফাওবা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদবনি। মরম অদুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা মহৈ তল্লিবা মহৈরোয়শিংগী পূন্সি লাইবক থীবা ফীভম অমদা লৈরি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, ফীভম অসিনা মরম ওইরগা গ্রেজ্যুএসনগী অরোইবা সিমেষ্টর এগজাম হায়দোক্তনা লৈরি। গ্রেজ্যুএসন লোইরগা মণিপুরগী ৱাংমদা মহৈ তম্লিংবা মহৈরোয়শিংগী কেরিয়র মাঙশিল্লক্লি। লৈরিবা ফীভম অসি কে এস এনা নুংনাংবা পোকই। ইস্যু অসি অথুবদা লোইশিনবীনবা দিমান্দ তৌরদুনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তাবা অদুৱায়দা য়ুনিয়ন ঐচ আর দি মিনিষ্টর প্রকাশ জাবেদকরগী ওফিস মমাংদা প্রোটেষ্ট তৌখিবনি।

য়ুনিয়ন ঐচ আর দিদা মেমোরেন্দম পীশিনবা লাকখিবা মহৈরোয়শিং অদু মিনিষ্টর লৈরমদবদগী থৌদাং লৌবা ঙম্বা মীশক অমদা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী ৱাথোক মখা তানা ইনক্কারি তৌরগনি : ডো. রাজো

য়ানবা পুরকপদগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং মীয়াম্না লৌরগা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস):

খাঙবোক্তা চহী নৌরিবা অঙাং অমা ঈশিংদা তাবদগী লায়কন্ননবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎলকপদা ডোক্টরশিংনা পূক্লিং চঙনা লায়েংখিদে হায়না মরাল শীরদুনা তংদু-লৈতাদবা ফীভম অমা লৈরম্বদু মরী লৈনবা ওঠোরিটিগা য়ানবা পুরকপদগী ঙসি অশিবা হকচাং লৌরগা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, অঙাং অদু শিখিবগী মতাংদা হেল্থ সর্ভিসেসকী ডোক্টর মঙানা ইনক্কারি অমা চথুখি। ডোক্টর মঙা অদুদি হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী দিরেক্টর ডো. কে রাজো, এদিসনেল দিরেক্টর অমা, জোইন্ট দিরেক্টর অমা, থৌবালগী চীফ মেদিকেল ওফিসর অমসুং ফোরেন্সিক এক্সপর্ট অমনি। মখোয়না পীখৎলকপা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না ঈশিংদা তারগা পুখৎলকপা অঙাং অদুগী মতাংদা ডোক্টরশিংনা করিমত্তা চেক-শিন্দবা অমদি অশোয়বা অমত্তা লৈখিদে হায়না পল্লকই হায়রি। অদুমকপু হায়রিবা রিপোর্ট অদু মায়কৈ অদোমগী মীয়াম অমসুং ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনদি য়াখিদে। ৱাথোক অসি পুলিস অমসুং হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মীহুৎশিংগা পূন্না ইনক্কারি অমা তৌমিন্নবগী ৱাফম অমা জে এ সীনা থাঙ্গৎলকপা অদু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী য়াখ্রে।

জে এ সিদগী ফংবা পাউ অমগী মতুং ইন্না হায়রিবদি ঙসি মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারগী ওফিসতা জে এ সিগী মীহুৎশংগা হেল্থ ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

এন এস সী এন (আই-এম)না জেলিয়াংরোং ওর্গেনাইজেসন অহুমগী রিকোগনিসন ককখ্রে

হেব্রোন, জুলাই ৩১ (এজেন্সী):

এপেক্স জেলিয়াংরোং ওর্গেনাইজেসন অহুম জেলিয়াংরোং বাউদি (অসাম, মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ), জেলিয়াংরোং য়ুথ ফ্রন্ট (অসাম, মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ) অমসুং ওল জেলিয়াংরোং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (অসাম, মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ) অসি এন এস সী এন (আই-এম) গী ষ্টিয়ারিং কম্মিটি, কিলোন্সরশিং অমসুং হেদস ওফ দিপার্টমেন্টকী জোইন্ট কাউন্সিলনা রিকোগনিসন ককখ্রে। দিরিকোগনিসন অসি খুদক্তগী চৎনরে হায়রি।

এপেক্স জেলিয়াংরোং ওর্গেনাইজেসন ৩সিনা মখা তানা জেলিয়াংরোং মীয়ামগী খোল্লাউগী মহুৎ শিল্লরোই হায়না ঙসি রিলিজ তৌবা এন এস সী এন (আই-এম) গী মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিগী প্রেস ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুংইন্না জেলিয়াংলোং বোদি ৩ দিরিকোগনাইজ তৌবগী মরমশিংদি য়ারুইৱোগী ২০১১গী ওর্দর শিংনবা, জেদ য়ু এফ কা লোয়ননা খূৎশম্নদুনা জেলিয়াংলোং মীয়ামগী তোঙানবা হোমলেন্দ অমা তানবা অমসুং টাটার হোহোনা মার্চ ২৩, ২০১৮দা লৌখিবা ৱারেপ শিংনবা অসিনি।

পনবা য়াই, টাটার হোহোনা নাগা ত্রাইব অহুম হায়বদি জেমে, লিয়াংমৈ অমসুং রোংমৈবু তোঙান তোঙানবা ত্রাইবশিং ওইনা শকখঙবগী ৱাফম এপ্রুভ তৌখিবনি।

ওর্গেনাইজেসন অহুমগী লুচিংবশিংগী পুন্সি তেমশিংনৈ অমসুং জেলিয়াংরোং কাঙলূপকী অমত্তা ওইবগী শক্তম থুগাইনবা হোৎনৈ হায়বা জেদ বি (এ এম এন) না মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরস, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী ওফিসতা পীশিনখিবা মীদিয়াদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংবুসু য়ূম্ফম য়াওদবা, মরম চাদবা অমসুং অচুম্বা অমত্তা য়াওদবা ৱাফমশিংনি হায়রদুনা আই-এমনা য়াখিদ্রে।

জেদ বি (এ এম এন), জেদ ৱাই এফ ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

মণিপুর থুগায়নবা খোঙথাংগী মায়োক্তা লেপকনি : কম্মিটি

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস):

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন (আই-এম) অনীগী মরক্তা চথুরিবা পিছ টোক অসিগী ৱারোইশিনদা মণিপুর থুগায়নবা খোঙথাং লৌখৎলক্লগদি মদুগী মায়োক্তা মীয়াম্না লেপকনি হায়না অমুকো, সী সী এস কে অমসুং য়ু সী এমগী অপূনবা জোইন্ট কম্মিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

অমুকোগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ দেবান শর্ম্মা, য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট সুনিল করাম অমসুং সী সী এস কেগী ভাইস প্রসিদেন্ট জিতেন্দ্র নিংঙোম্বনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকখিবা চেরোল ...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

মহৈরোয়শিংনা য়াদ্রবা ভি সী লৈঙাক্লা লৌথোকপা ঙমদবসি ইকায়নিংঙাইনি : ও জয়

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস):

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু), মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিচরস এসোসিএসন (মুটা) অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টাফ এসোসিএসন (মুসা)না এম য়ুগী ভি সী পান্দে লৌথোকউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা চঙশিল্লিবা খোঙজং সোলিদরিটি উৎপগা লোয়ননা সেভ মণিপুর, সেভ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি হায়বা বেন্নরগা লোয়ননা শক্লাইরব পোলিটিসিয়ন ও জয় অমদি এন মঙ্গি য়াওনা রেল্লি চৎখ্রে।

লোকল সরাউন্দিং পিপলস ওফ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কাঞ্চিপুরনা শীন্দুনা চৎখিবা খোঙচৎ অদু ঙসি অয়ূক ককৱাদগী হৌরকখি। খোঙচৎ অদুদা লমদম অদোমগী মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। শক্লাইরবা পোলিটিসিয়ন ও জয়, এন মঙ্গি অমদি সোসল ৱার্কর ও মালেশ য়াওনা মীওই কয়ানা শরুক য়াখিবা রেল্লি অদুনা ককৱাদগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটি গেট তম্না লাক্লগা মফম অদুদা মুটা, মুসা অমসুং মুসুনা শীন্দুনা চথুরিবা খূথাং চরা হেনবগী খোঙজং মফমদা শরুক য়াখি।

ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়াখিবা ও জয়না হায়খি, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর এ পি পান্দে লৌথোকউ হায়না খোঙজং চঙশিল্লকপা নুমিৎ ৬২ নি শুখ্রে। মহৈরোয়শিং হৌজিক মহৈ-মশিন তম্বা ফংদনা লৈরি। হৌজিক ফাওবা ভি সী লৌথোক্তবা অসি লাইবক থীবনি। ভি সী অসি ওজাশিংনা, মহৈরোয়শিংনা, ষ্টাফশিংনা ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

সলাইনা নোংমদা চেঙ্গুম কে জি ২০০ পুথোকই : প্রেমজিৎ

নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস):

মণিপুরদা মশানা মশাবু থবক পীজবগী চৎনবী লাক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবা হায়বসি সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদকী পান্দমনি হায়না সলাই এগ্রো প্রদ্যুসর প্রাইভেট লিমিটেদ মশরূম য়ুনিটকী সেক্রেটরি প্রেমজিৎ ঙাইরাংবমনা পাউচে অসিদা ফোঙদোকখ্রে।

পাউচে অসিগা উনবদা মহাক্না হায়খি, মশানা মশাবু থবক পীজনবা চহী ২০গী মীৎয়েং মাংদা থল্লগা কখোকপগা লোয়ননা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিগী মনুংদা চেঙ্গুম থাবা অসিসু শরুক অমনি। য়ূমথোঙ খূদিংদা চেঙ্গুম থাহন্দুনা মশাগী শেন্থোক লম্বী লৈহন্নবা অমসুং মীপান তাংদনা হিংনবা থবক লৌখৎপা হৌরে।

সলাই হোল্ডিংসকী ওইনা সলাই এগ্রো মশরূম য়ুনিট অসিনা নোংমদা চেঙ্গুম কে জি ২০০ পুথোকই। চেঙ্গুমগী লৈ মপূং ফানা শাৎতোক্তবদগী হেকপা য়াদবগী মতাংসু য়াওরকই। অদুবু, চাংচৎতা কে জি ২০০ দি পুথোক্লি। পুথোক্লিবা চেঙ্গুম অসিসু থানবগীদমক অতোপ্পদগী লৈবা নত্তে। ঐখোয়না পুথোকচরগা থাজবনি। চেঙ্গুম থাবা অসি হান্নদি খুরখুলদা মীগী লমদা ৱাইরগা থাবা হৌখিবনি। কুমজা ২০১৬ তগী লাইরেনকাবীদা ঐখোয়গী ওইবা মফম থমদুনা মপূং ফানা তৌরকখি। মফমসিদা লাকপদগী প্লান্টেসনসু তৌবা হৌরে। হৌজিক ক্রোপ্পিং হোল মঙাদা চেঙ্গুম থাদুনা পুথোকপনি। ক্রোপ্পিং হোল অমদা চেঙ্গুম প্লান্টেসন শেল্লিবা অসি ৮০০ লোম থাই। হোল অমদা ১,২০০গী কেপাসিটিনি। ঐখোয়না ৮০০ দগী হেন্না থমদে। হৌজিক পুথোক্লিবা চেঙ্গুম ...*মখা লামায় ৩ কলম ৩*

LOAN AVAILABLE

AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur

- Vehicle Loan
- Pension Loan
- Service Loan
- T.V. Loan

হায়রিবা শিং অসি অরাইবা মওংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচবা পীজরি !

100% Free Processing (Vehicle Only)

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Lokloobung B.O. M.G. Avenue, Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in

HL-P/5105/17/07-16/08

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫